# সুইসাইদ বোম্মরনা পাকিস্থানগী কোর্টতা এটেক তৌখ্রে, মীওই ৮ শিখ্রে, ২৭ শোকখ্রে

পেশাৱার, মার্চ ০৭ (এজেন্সী) ঃ

পাকিস্থানগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈবা কোর্ট অমদা ঙরাং চথুরকখিবা সুইসাইদ এটেক অমদা মীওই নিপান শিখ্রে। এটেক অদু ঈরাং কনবা মহমন্দ ট্রাইবেল এরিয়া অমসুং মসিগী অকোয়বদা পরিং নাইনা চথুরকখিবা এটেকশিংদা খ্বাইদগী নৌবনি হায়না ওফিসলশিংনা হায়রি।

কোর্টতা চথুখিবা এটেক অদুগী মতাংদা সিনিয়র পুলিস ওফিসল সোহাইল খালিদনা রোইটর্জদা হায়খি মদুদি, সুইসাইদ এটেক অদুদা শিখিবা মীওই নিপানগী মনুংদা পুলিস পার্সনেল অহুম য়াওখি অমসুং অতৈ মীওই ২৭না অশোক অপন নংখি।

এটেক্কর অদুনা সবকদর টাউনদা লৈবা কোর্ট অদুদা টার্গেট তৌখিবনি হায়না সায়ীদ ৱাজির কৌবা অতোপ্পা পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি।

"সুইসাইদ বোম্মর অদুনা জুদিসল কমপ্লেক্সতা চঙনবা হোৎনখি অমসুং পুলিসনা মহাকপু থিংনবা হোৎনরুবদা মহাক্না মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিংদু পোকখায়হনখিবনি" হায়না ৱাজিরনা হায়খি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা কোর্টতা থোক্লিবদু অচৌবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

সেসন্স কোর্টতা অচৌবা অহৌবা মখোলগা লোয়ননা পোকখায়খিবদু থোক্লকখিবা মতমদা মহাক লোইয়র অমগা ফম্মিন্নদুনা লৈ হায়না থৌদোক থোকফমগী মনাক নক্না লৈখিবা গোহর খান কৌবা লোকল পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি।

"আর্মি অমসুং অতৈ লো-ইনফোর্সিং এজেন্সীশিং থৌদোক থোকফমদা থুংলখিবগা লোয়ননা অশোকপশিং মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা পুখি" হায়না গোহরনা মখা তাখি। পাকিস্থান মিদিয়ানা থাদোরকখিবা টেলিভিজন ফুটেজনা পাক শন্না অমাঙ-অতা থোকপা অমসুং মৈ চাকথোকপদগী পুংমু মুনা কারবা গাড়ী অনীগী শক্তমশিং উৎখি।

ইস্লামাবাদকী অৱাং নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ১৫০ রোম লাপ্না লৈবা সাবকদার টাউন অদু হন্দক নুমিৎ খরা অসিদা এটেক কয়া চথুবা উখিবা মহমন্দ ট্রাইবেল এরিয়াগা থংননা লৈবনি হায়রি।

হৌখিবা মার্চ ১দা মহমন্দদা লম্বীগী নাকলদা রিমোট কন্ট্রোল বোম অমা গাড়ী কনভোই অমদা টার্গেট তৌদুনা পোকখায়হনখিবদা মনাক নকপা পেশাৱারদা লৈবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কন্স্যুলেটতা থবক তৌবা পাকিস্থানি অনী শিখিবনি। মদুগী মমাঙ চয়োল ২গী মমাঙ হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৮দা মহমন্দদা লৈবা চেক পোষ্টশিংদা তোঙান তোঙান্না চথুখিবা এটেক অনীদা টালিবান গনমেনশিংনা পাকিস্থানি পেরামিলিটরি পার্সনেল মাপন হাৎখি।

মমাঙগী এটেক অনীমক পাকিস্থানি টালিবানগী জামাট-উর-অহরার ফেক্সননা ক্লেম তৌখিবনি। খ্বাইদগী নৌনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী এটেক অসিদি হৌজিক ফাওবদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরক্ত্রি হায়রি।

পাকিস্থানি টালিবান হায়নসু খঙনবা টেহরীক-ই-টালিবান পাকিস্থান্না ইস্লামিক লোগী অকনবা ইন্টরপ্রিটেসন অমা চৎনহন্নবা হোৎনরদুনা কুমজা ২০০৭তগী পাকিস্থানি ষ্টেটকী মায়োক্তা লাল হৌরকখিবনি।

পাকিস্থানগী ঈরাং কনবা ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা পরিং নাইনা চথুরকখিবা মিলিটরি ওপরেসনশিংনা টি টি পিগী অচৌবা টার্গেটশিংদা চাং নাইনা এটেক তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল ময়েং তাহনখি। তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসিনা সিক্যুরিটি অমসুং সিভিল্যান টার্গেটশিংদা এটেক তৌবদি লেপত্রি। পাকিস্থানি মিলিটরিনা চথুরিবা মিলিটরি ওপরেসনশিং অদু কুমজা ২০১৪দগী হৌখিবনি।



# ইরাক্তা সুইসাইদ এটেক্তা মীওই ৫১ শিখ্রে, ৭০ শোকখ্রে



বাঘদাদ, মার্চ ০৭ (এজেন্সী) ঃ

ইরাক্কী সেন্ট্রেল বাবিল প্রোভিন্সকী সিক্যুরিটি চেকপোষ্ট অমদা চথুখিবা কিনিঙাই ওইরবা সুইসাইদ ট্রক বোম এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫১ শিখ্রে অমসুং ৭০ শোকখ্রে হায়না সিক্যুরিটি সোর্চ অমনা ফোঙদোক্লি।

হিলা সিক্যুরিটি চেকপোইন্টতা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা চথুখিবা সুইসাইদ ট্রক এটেক অদুদা শিখিবা মী মশিং ৫১ অমসুং অশোকপশিংগী মশিংনা ৭০নি হায়না জিনহুৱানা সিক্যুরিটি সোর্চকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

শাথিরবা এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপনা ক্লেম তৌখ্রে।

আই এসপু শৌগৎপা অমাক ন্যুজ এজেন্সীগী ৱেবসাইটতা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, "হিলা সিটিগী চঙফমদা লৈবা বেবিলোনগী রুইন্সতা থম্বা চেক পোষ্ট অমদা ট্রক বোম অমা শীজিন্নদুনা পাঙথোকখিবা মশা শিদোকচবা ওপরেসন অমদা মীওই কয়া শিহনখ্রে অমসুং মীওই কয়াবুনা অশোক-অপন নংহনখ্রে।"

বাঘদাদ সিটিগী খারোমদা কিলোমিটর ১০০ রোম চৎলগা লৈবা হিলাগী মী চিনবা অল-অথার সিক্যুরিটি চেকপোইন্টতা সুইসাইদ বোম্মর অমনা য়াল্লবা এক্সপ্লোসিভশিং য়াওবা ট্রক অমা থৌজিনখিবনি হায়না সোর্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

অচৌবা পোকখায়বা অদুদা চেকপোইন্টতা লৈরিবা বিল্ডিংশিং থুগাইখি অমসুং গাড়ী ময়াম অমা ফীভম থিনা মাঙ-তাকহনখিবগা লোয়ননা মীচমশিংগী কার কয়াসু মৈনা চাকহনখি হায়না সোর্চ অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌদোক্তুগী ভীক্টিম অয়াম্বা মী চিনবা চেকপোষ্ট অদুদা মখোয় মখোয়গী কার মনুংদা লৈরগা পরেং লেংলিঙৈদা শাথিরবা এটেক অদু নংখিবনি হায়রি।

প্রোভিন্স্যল হোস্পিটালগী ওফিসল অমনা থৌদোক্তুদা শিখিবা মীশিংগী মশিং কনফার্ম তৌখি অমসুং এটেক চথুরম্বদুদা পুলিস অমসুং অতৈ সিক্যুরিটিগী মীওই ২৩ লৈখি হায়না ফোঙদোকখি।

সুইসাইদ এটেক অদু চহী অসিগী ওইনা অনীশুবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকনি। মসিগী মমাঙদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮দা বাঘদাদকী সিয়া দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা সাদর সিটিদা চথুখিবা শাথিরবা এটেক অমদা মীওই ৭৮ শিখিবনি।

শাথিরবা এটেকশিং অদু আই এসনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা অমাঙ-অতা থোকহন্নবা অমসুং ফোর্স কা হেন্না শীজিন্নহন্দুনা অৱাবা নংহন্নবা ফ্রন্টলাইনশিংগী মনুং হঞ্জিন্না এটেক তৌবগী কেম্পেইন অমনি হায়না লৌনরি।

হৌখিবা থাদা ইরাক্তা মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা আই এসনা ক্লেম তৌবা সুইসাইদ এটেকশিংদা মীওই ১৭০ হেন্না শিখ্রে।

চেকপোইন্টশিং, কৈথেলশিং, কেফেশিং অমসুং মোস্কশিং য়াওনা ইরাক্কী মফম কয়াদা আই এসনা মী চিনবা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া তোয়না চথুখ্রে।

# পালেষ্টাইনগী ৱাথোক্কী মতাংদা মুস্লিম লৈবাকশিং পুনশিন্নবা আপিল তৌখ্রে

জকার্টা, মার্চ ০৭ (এজেন্সী) ঃ

মুস্লিম লৈবাকশিংবু ইজরেলি-পালেষ্টিনিয়ন কনফ্লিক্টকী সোল্যুসন অমা পুরক্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইহন্নবা মুস্লিম লৈবাকশিংগী লূচিংবশিংগী মীফম অমদা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্টনা ঙরাং আপিল তৌখ্রে।

মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা মুস্লিম লৈবাক্কী মকোক ওইরিবা প্রসিদেন্ট জোকো "জোকোৱি" ৱিদোদোনা মালেম পুম্বনা নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা পালেষ্টাইনগী ফীভম হকচিন্না লৌই হায়খি অমসুং মহাক্কী ৱাহৈদা "ইজরেলগী মরন্নাই অমসুং ইলিগেল ওইবা পোলিসিশিংবু" ক্রিটিসাইজ তৌখি।

পালেষ্টাইন অমসুং জেরুসালেমদা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকপা ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কোও-পরেসনগী অখন্নবা সম্মিট অমদা লৈবাক ৫৭কী ওফিসলশিংনা ইন্দোনেসিয়াগী কেপিটেল জকার্টাদা উন্নরিবনি। মিদ্দল ইষ্টকী ক্বার্টেট অমসুং য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী পার্মিনেন্ট মেম্বরশিংগী মীহুৎশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়ারি হায়রি।

"ও আই সীনা সোল্যুসনগী শরুক অমা ওগদবনি, প্রোব্লেমগী শরুক অমা নত্তে" হায়না সম্মিট অদু হৌদোকপদা জোকোৱিনা হায়নসু ফোঙদোকখি।

"ও আই সীনা পালেষ্টাইনগী সোল্যুসনগী শরুক ওইবা ঙমদবা তারবদি ও আই সী লৈবগী কান্নদ্রে" হায়না প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা হায়খি।

ইজরেলনা হায়খি মদুদি, হন্দক মীশি-মীনাগী ঈরাংশিং হেনগৎলক্লিবদু পালেষ্টিনিয়ানশিংনা মীনম্বা অমসুং থৌজিন্নবগী কেম্পেইন অমা চথুরকপদগীনি।

অমরোমদা, পালেষ্টিনিয়ানশিংনা হায়রি মদুদি, লমদম অদুদা থোক্লিবা মীশি-মীনাগী ঈরাংশিং অদু ইজরেলি মিলিটরিনা চহী ৫০ রোম লৈঙাক্লকপদা নীংবা কায়বা পোক্লরকপদগীনি।

জকার্টাগী মীফমদা শরুক য়ারিবা লিদরশিংগী মনুংদা ৱার ক্রাইম কয়াদা চেন্নে হায়রিবা সুদানিজ প্রসিদেন্ট ওমার অল-বাশিরসু য়াওরি।

সুদানগী প্রসিদেন্ট ওমার ওল-বাশির অসি লৈবাক অদুগী দারফুর রিজনদা থোক্লিবা কনফ্লিক্টকা মরী লৈনবা ৱার ক্রাইমশিংগী মরাল কয়াদা ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্টনা পাম্লিবা মীশক্লি হায়রি।

# দালাই লামানা টিবেটানশিংবু মশা মৈ থাদুনা শিজহনবনি : চাইনা

বৈজিং, মার্চ ০৭ (এজেন্সী) ঃ

টিবেটতা চাইনিজ লৈঙাক চথুববু য়ানিংদবা উৎলদুনা হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়াদা অমা য়াওনা টিবেটান নহা অনী মৈ থাজদুনা শিজবদু দালাই লামা অমসুং মহাক্কী খোংলোয়শিংগী থৌইনশিনদগী থোকখিবনি হায়না ঙসি বৈজিংদা মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

"অসুম্না ইনশিনবদগী চাইনাদা টিবেটান নহারোলশিংনা মশা মতোমতা মৈ থারগা শিজনবা হোৎনবগী থৌদোক ১০০ হেন্না থোকখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোকশিংদা নহা ওইরিবা লাইনিংবশিং অয়াম্বা মতমদা শিখি।

থৌদোকশিং অসি "স্পিরিচুয়েল লিদরনি" হায়রিবা মীওই অমসুং মহাক্কী তুংইনবা খোঙলোয়শিংনা মাষ্টরমাইন তৌবগা লোয়ননা ইনশিবদগী থোকখিবনি হায়বা প্রুভ তৌরে। মখোয়না চুমই হায়না খঞ্জবা অরানবা ৱাখল্লোন অদুনা টিবেটান নহারোলিশিংবু মথন্তা মৈ থাদুনা শিজনবা ইনশিল্লি, মখোয়বু ইসু অমা ওইহল্লি অমসুং মিদিয়া অমসুং পোলিটিকেল ফিগরশিংগী খুত্থাংদা মালেমগী লৈবাকশিংগী সপ্পোর্ট ফংনবা হোৎনৈ" হায়না ষ্টেটনা ফোঙবা গ্লোবেল টাইমসকী আর্টিকেল অমনা হায়খি।

"মৈ থাদুনা শিজবা হায়বসি তোখায় তাবা পান্থা কাঙবুশিংনা শীজিন্নবা কা হেনবা তৌবা মীওই খরখক্না চথুবা থৌওংনি। লৈবাক অসিবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরকপা খূদিংমক মায় পাক্লোইদবদা নত্তনা মসি টিবেটান মীয়ামগী মেজোরিটিগী অপাম্বসু নত্তে" হায়না আর্টিকেল অদুনা হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিয়াগী দেহরাদুনদা দোরজী টসেরিং কৌবা মশাগী চহী ১৬ শুবদা ঙাইরিবা টিবেটান মহৈরোয় অমনা মশা মথন্তা মৈ থাজখি অমসুং তুংদা মহাক শিখি। চাউরাক্না মতম অদুৱাইদা, কালসাং ৱাংদু কৌবা মশাগী চহী ১৮ লোম শুরবা টিবেটান লাইনিংবা অমা সিচুৱান প্রোভিন্সতা মশা মতোমতা মৈ থাদুনা শিজখি।

"কেস অনীমক টিবেটান সেপ্পরেটিষ্ট গ্রুপশিংনা মালেম শিন-থুংনা খঙহনখি অমসুং নোংচুপলোমগী মিদিয়াদা পাক শন্না ফোঙনখি। টিবেটান সেপ্পরেটিষ্টশিংগী এজেন্দাগী শরুক অমা ওইনা নহারোলশিংনা মৈ থাদুনা মথন্তা শিজনবা হোৎনবগী থৌদোকশিংবু মার্চ থা অসিদা হেঞ্জিন্না উহন্নবা হোৎনবসিদা থোইদোক্না ঙক্লি ঙাই ওইদে" হায়না আর্টিকল অদুনা মখা তাখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী মতাংদা ওফিসল মিদিয়ানা কম্মেন্ট পীবসি আর্টিকলদুদা ফোঙদোক্লিদুনা অহানবনি।

মপান্দা লৈবা টিবেটান গ্রুপশিংনা হায়রি মদুদি, দালাই লামাবু টিবেটতা হল্লক্নবা তকশিল্লদুনা অমসুং চাইনিজশিংনা টিবেটতা লৈঙাকপবু য়ানিংদবা উৎলদুনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা টিবেটান ১৩০ রোম্না মশা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজনবা হোৎনখ্রে।

"অচুম্বা ৱাফম কয়া খঙবা ঙম্লে মদুদি, নোংচুপলোমদদি ঈং-চিকপা ফীভম লৈহনবা পাম্বা বুধিষ্ট লাইনিংবা অমনি হায়না লান্না লৌনবা দালাই লামানা কুমজা ২০০৮গী মার্চ ১৪দা লাসাদা মীয়ামগী ঈরাং অমা থোকহনখিবদা মরাল লৈজদবা মীচম ১৮ শিখি" হায়না গ্লোবল টাইমসকী আর্টিকল অদুনা হায়রি।

টিবেটান লাইনিংবশিংনা হৌখিবা লালহৌদা রিফরেন্স পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লিবনি। নহা অনীনা মৈ থাদুনা শিজখিবগী থৌদোক অনী অসিসু হৌখিবা চহীদগী হৌখিবা চাইনাগী চহীগী পার্লিয়ামেন্ট সিজন হৌদোকপগা চাননা থোক্লিবনি হায়রি।

নেসনল পিপলস কোংগ্রেস (এন পি সী) অমসুং এদভাইজরি বোদি ওইরিবা চাইনিজ পিপলস পোলিটিকেল কন্সলটেটিব কনফরেন্স (সী পি দি সী সী)না লেজিসলেটিব বিজিনেস লোইশিন্নবগীদমক্তা চহী খূদিংগী মীফম পাঙথোকই। মীফম অদু থাখায় অমা চুপ্না চথুগদবনি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)

BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.

FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS

Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.

TOPPERS '2013: 1st Position MIRANDA M.; 3rd Position RATIMANJURI; 5th Position MIRANDA; 6th Position SYDENY TH.; 14th Position VIVEK A.; 15th Position REMA NAOREM; 16th Position SADA SALAM; 16th Position CHITRA KH.; 22nd Position BIDYALUXMI; 24th Position JAYALUXMI; 24th Position PRESCILA RK.

TOPPERS '2014: 3rd Position LUHIYA NG.; 6th Position NEERA S.; 9th Position KHONEESH N.; 9th Position HARISON Y.; 12th Position KAILASH KUMAR N.; 13th Position L. DENILSON; 16th Position KH. PRAVIN; 18th Position BONNIE W.; 20th Position KELVIN M.; 21st Position MALEMNGANBA; 23rd Position INDERKUMAR

TOPPERS '2015: 2nd Position G. Gopal Krishna; 3rd Position Ng. Victoria; 4th Position S.Shivaranjani; 7th Position RK. Babysana; 9th Position Ksh. Monica; 11th Position Thangminlal H.; 20th Position Bilson Oinam; 21st Position Gita E.; 21st Position S. Saya Devi; 22nd Position N. Nonibala; 23rd Position Jasmine H.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV

:-9856988840 / 9863265726
9863222153

HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

HL-B/2956/13/02-12/03


## EMPLOYMENT NEWS

### AIR INDIA RECRUITMENT 2016 – 188 AIRLINE ATTENDANT, CAPTAIN & OTHER POSTS

**Air India Recruitment 2016 – Apply Online for 100 Airline Attendant Posts:** Air India Charters Ltd has published notification for the recruitment of 100 Airline Attendant vacancies for its low cost Airline Air India Express on fixed term contract basis. Eligible candidates may apply online from 01-03-2016 to 21-03-2016 in working hrs. Other details like age limit, educational qualification & how to apply are given below…

**Air India Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 100**
**Name of the Post: Airline Attendant**
1. SC: 15 Posts
2. ST: 08 Posts
3. OBC: 27 Posts
4. UR: 50 Posts

**Age Limit:** Candidates age limit should be between 18 – 24 years. Relaxation of age will be applicable up to 05 years for SC/ ST and 03 years for OBC candidates.

**Educational Qualification:** Candidates should possess 10+2 from a recognised Board/ University.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on Group Dynamic Test, Personality Assessment, Pre-Employment Medical Examination/ Previous Employment References & Personal Interview.

**Application Fee:** Candidates should pay Rs. 500/- (Non Refundable) through demand draft in favour of Air India Charters Limited, payable at Mumbai. Application fee will be exempted to SC/ ST candidates.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the website www.airindiexpress.in from 01-03-2016 to 21-03-2016 in working hrs.

**Instructions to Apply Online:**
1. Before applying online candidates should have valid e mail id & contact number.
2. Candidates should scan their photograph, signature & other certificates.
3. Log on the website www.airindiexpress.in & Click on Career Option.
4. Select the desired post & Click on "Click here to Apply Online".
5. Read all the instructions & fill all the details.
6. Check all the details before submit the form.
7. Take a print of online application for future use.

**Important Dates:**
Starting Date to Apply Online: 01-03-2016 in working hrs.
**Last Date to Apply Online: 21-03-2016 in working hrs.**

— — — — — — — — — — — — — — — — — — — —

**Air India Recruitment 2016 – 86 Captain & Trainee Captain Posts:** Air India Charters Limited has published notification for the recruitment of Captain & Trainee Captain vacancies on permanent/ contractual basis. Eligible candidates may apply in prescribed application format within 15 days from the date of advertisement. Other information like age limit, educational qualification, selection process & how to apply are given below…

**Air India Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 86**
**Name of the Post:**
1. Captain: 56 Posts
a. SC: 09 Posts
b. ST: 04 Posts
c. OBC: 14 Posts
d. General: 29 Posts
2. Trainee Captain: 30 Posts
a. SC: 04 Posts
b. ST: 02 Posts
c. OBC: 07 Posts
d. General: 17 Posts

**Age Limit:** Candidates maximum age limit should be 55 years. Relaxation of age will be applicable to SC/ ST/ OBC candidates as per GOI Rules.

**Educational Qualification:** Candidates should have ATPL issued by Director General of Civil Aviation, Government of India.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on Simulator Flight Proficiency Test & personal interview.

**How to Apply:** Eligible candidates may send their scanned copy of their application in prescribed format with photograph affixed by e mail to recruitmentpilots1@airindiaexpress.in with a cc to aicl.hrd@airindia.in within 15 days from the date of advertisement.

**Important Dates:**
Date of Advertisement: 22-02-2016.
**Last Date for Receipt of Application: Within 15 days from the date of advertisement.**

— — — — — — — — — — — — — — — — — — — —

**Air India Recruitment 2016 – Medical Doctor Posts:** Air India Limited has advertised a notification for the recruitment of Medical Doctor vacancies on contract basis. Eligible candidates can apply in prescribed application format on or before 15-03-2016. Other information like age limit, educational qualification, selection process & how to apply are given below…

**Air India Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 02**
**Name of the Post: Medical Doctor**

**Age Limit:** Candidates age should be 65 years as on 01-02-2016.

**Educational Qualification:** Candidates should possess MBBS degree of an Indian University recognized by the Medical Council of India, with 02 years of working experience as a medical practitioner.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on performance in Personal Interview.

**Application Fee:** Candidates have pay Rs. 500/- in the form of Bank Draft drawn in favour of Air India Ltd payable at Chennai.

**How to Apply:** Eligible candidates can send their application in prescribed format along with photocopies of testimonials, Supporting documents of Date of Birth, Academic Qualification/s, Experience etc., Bank Draft & in an envelope should be Superscribed as "Application for the post of Medical Doctor on Fixed Term contract basis" to Office of General Manager (Personnel), Air India Limited, Northern Region, Admin. Building, Opposite Post Office, IGI Airport, Terminal – I, New Delhi-110 037 on or before 15-03-2016.

**Last Date for Receipt of Application: 15-03-2016.**